**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-08-2024)**

**এসেমব্লি(এল)ঃ** হৌজিক চথরিবা ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরুকশুবা মীফমগী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্দ ওফ গ্রান্ট-২০২৪-২৫ খন্নরগনি।

ঙসি খন্নগদৌরিবা দিমান্দশিং অসি ষ্টেট লেজিসলেচর, কাউন্সিল ওফ মিনিস্তরস, সেক্রেটরিয়েট, ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন, হাউজিং এন্দ অবার্ন দিবলপমেন্ট, টেক্সতাইল কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ, পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জষ্টিসকীনি। সভাগী লুচিংবা অমদি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা দিমান্দশিং অসি পুথোকপগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মনিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমগী পাউ অমনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী উয়ুম মখোংগী মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অনি, ভিয়েটনাম স্নাইপর আর. থ্রি রাইফল অমা, এ.কে. এস.এল.আর. অমদি ইনসাসকী অহাংবা মেগজিন অমমম, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, লাইফ রাউন্দ ৩৩, দিটোনেটর য়াওবা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, স্মোগ গ্রেনেদ অহুম, এন্তি রাইওট গ্রেনেদ অহুম, টিয়ার স্মোগ সেল মঙা, হেন্দ গ্রেনেদ টিয়ার স্মোগ অনি, ফিফতি ৱান এম.এম. মোটারগী লাইফ বোম অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, থা অসিগী ৩১ দা কাংপোকপী জিলাগী লুংহৌগী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা টুয়েল্ব বোর লোকেল মেদ রাইফল অনি, নোংমৈ মরু ৯, লোকেল মেদ বোম অমা, ৱাকি টোকি ৱয়ারলেস সেট অমা য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

**পাউমী (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অকাম্পাৎতা পাউ লৌবা চৎলুবা পাউমী অমদা মনিপুর পুলিসনা চথখিবা কা হেনবা থৌওং অদুবু ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) অমদি এদিটরস গীলস মনিপুর (ই.জি.এম) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

অমজ্ অমসুং ই.জি.এমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মনিপুর পুলিসকী ওফিসার অদু পুং ৪৮ গী মনুংদা দিসমিস তৌগদবনি। তঙাইফদ্রবদি চথরিবা মনিপুর বিধান সভা মীফমগী পাউ ফোংদবগী ৱারেপ ফাওবা লৌরকপা য়াই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

নাকল অমরোমদা, পাউমীদা পুলিসনা চথখিবা থৌওং অদু ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, ওল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিবলপমেন্ট কমিতি অমদি কৈরাওগী ক্লব অমদি নিশা বন্দ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা শান্তি হনজিলহন্নবা পান্দমদা অসামগী সিলচরদা দয়াপুরগী গ্রুপ সেন্টর সি.আর.পি.এফ. অমদি মীতৈ অমসুং মার ফুরুপশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা জিরিবাম জিলাগী দিপ্যুতি কন্মিস্নার, দি.আই.জি-সি.আর.পি.এফ, জিলা অসিগী সেনিয়ার এস.পি, ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট অমদি ৮৭ শুবা সি.আর.পি.এফ. বটালিয়নগী কম্মান্দেন্টসু শরুক

য়াখি। মীফম অদুনা মফম অদুদা মহৌশাগী ফিভমদা হনজিলহন্নবা হোৎনবদা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌনবা ৱারেপ কয়া লৌখি।

**মনিপুরসনা (এল)**ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংম-নিনি অসিদা চুরকখিবা নোংনা মরম ওইদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা থাঙ্গাদা চিং নিংখায়বগী থৌদোক থোকখ্রে। চিং নিংখায়বা অদু ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং মরিরোম তাবদা থোকখিবনি।

চিং নিংখায়বা অদু থাঙ্গাগী এম.এল.এ. টি. রোবিন্দ্রোনা য়েংশিনবগা লোয়ননা মতেং পাংলমখি।

**এম.এল.এ (এল)**ঃ থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম.এল.এ. খুমুকচম জয়কিষন, মনিপুর সরকারগী ৱাঙাংলোই ওইনা হাপখ্রে। সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা চেরোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়-জয়কিষনবু ৱাঙাংলোই হাপ্পা অসিনা রাজ্য অসিগী য়াইফনবা অমসুং সরকার অসিবু চল্লাইবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**দ্রৌপতি** ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুনা সভাপতি ওইদুনা নুমিৎ নিনি চত্থগদবা রাজ্যপালশিংগী মীফম ঙসিদগী রাস্ত্রপতি ভবনদা হৌরগনি। রাজ্যপালশিংগী মীফমদা রাস্ত্রপতিনা সভাপতি ওইবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

মীফম অসিদা রাজ্য পুমমক্কী রাজ্যপালশিং শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকর, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদ্রি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমদি মন্ত্রিশিং-ধমন্দ্রে প্রধান, শিবরাজ সিংহ চৌহান, অশ্বিনি বৈষ্ণব, মনশুখ মন্দাভিয়ানচিংবা শরুক য়াগনি।

নিতি আয়োগকী ভাইস চেয়ারমেন য়াওনা তোঙান তোঙানবা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াগনি।

মীফম অসিদা মরুওইনা খন্নগদবা ৱাফমশিংদি-ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনহ্নবা, অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বদা অওনবা পুরকপা অমসুং য়ুনিভরসিতিশিং এক্রেদিটেসন তৌবা অমদি মপুং ওইনা মীৎয়েং থল্লিবা হীরমশিং শেমগৎ শাগৎপা য়াওরি। অতোপ্পা মরুওইবা ৱাফমশিংগী মনুংদা রাজ্যপালশিংগী থৌদাং অমসুং রাজ্য রাজ্যশিংদা তোঙান তোঙানবা কেন্দ্রগী এজেন্সিশিং পুন্না তৌমীন্নবসু য়াওরি।

**ওলিম্পিক্স** ঃ পেরিসতা চথুরিবা ওলিম্পিক্স গেমসতা হৌজিক ফাওবদা চাইনানা সনাগী তকমান ১১ য়াওনা পুন্না তকমান ২৪ ফংদুনা মেদল টেলিদা অহানবা পোজিসনদা লৈরি।

যুনাইটেদ ষ্টেটনা সনাগী তকমান ৯ য়াওনা পুন্না তকমান ৩৭ অমদি ফ্রান্সনা সনাগী তকমান ৮ য়াওনা পুন্না তকমান ২৭ ফংদুনা মথংশিংনা অনিশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

গেমস অসিদা ভারতকী ওইনা শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংদুনা ৪৪ শুবা পোজিসনদা লৈরি। অমরোমদা, ঙরাং বেদমিন্টনগী নুপীগী রাউন্দ ওফ সিক্সতিনদা ভারতকী ওলিম্পিক মেদল অনি ফংবা ঙমখ্রবী-পি.ভি. শিন্ধু মহাক্কী লম্বা চাইনাগী জি-বিং-চাউগী খুৎতা মায়থিখ্রে।

ভারতকী হোকি টিমনা মমাংগী চেম্পিয়ন বেলজিয়মগা ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা নংখ্রে। অচ্যারি মশান্নদা ভারতকী প্রবিন যাদব ইন্দিভিজ্যেলগী অহানবা রাউন্দদা মায়থিবা নংখ্রে। লোয়ননা বোক্সর-নিখত জরিন কিলোগ্রাম ৫০ গী কেটেগোরিগী রাউন্দ ওফ সিক্সতিনদা চাইনাগী ৱু-য়ুনা ০-৬ তা মায়থিবা ফংখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর বিধান সভাগী মীফমদা বজেট ইষ্টিমেট ২০২৪-২৫ গী জেনরেল দিসকসনদা ওপোজিসন এম.এল.এশিংনা থমখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা চীফ মিনিস্তর-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং, লাঞ্জেন্নরিবশিং য়ুমদা হনজিলহল্লু হায়বগী ইহৌদা পাউ লৌবা চৎপা পাউমী অমা মনিপুর পুলিসনা ফুরকখিবগী পাউ অমদি থৌওং অদুবু তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোকরকখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি-হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, মনিপুর ন্যুজ, ঈচেল এক্সপ্রেস, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমস, মোরনিং বেল অমদি হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা পাউ-চেশিং অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মনিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন বিল অনি পাস তৌখিবগী পাউ অমসু হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুটসন বেঞ্চকী লেন্দমার্ক জজমেন্ট লৈবাক অসিগী এস.সি. এস.টিদা য়াওবা ক্রিমি লায়রশিং লৌথোক্লগা রিজারভেসনগী খুদোংচাবা পীরোই। লাঞ্জেন্নরিবশিংনা য়ুমদা হনজিলহল্লু হায়বগী খোঙজং হৌগৎলকপদা পুলিসনা অকন অরিং শিঙখ্রে। রিলিফ কেম্পশিং লানফম ওন্থোকখ্রে। পীক্লিবা মহৈরোইশিং ৱান্থখ্রে। পুলিসনা পাউমী অমা ঈ থোকপা মখৈ ফুদুনা মমায় থুগায়খ্রে হায়বা পাউশিং অসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা কে. মোলনোমদা শারিবা আর.সি.সি. থোং লৈঙাকা থুগায়গনি হায়না চীফ মিনিস্তর-বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম

নহারোলগী থৌদাংগী পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

করপসন ফ্রি ওইহনসি। ক্ষেত্রিগাউ এস.সিগী থা ৮ গী চেং ফংহনবীয়ু হায়না নুরুল হাসননা এসেমব্লি মীফমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেস পাউ-চেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

আই.দি.পিশিংগী খোঙজং কভরেজ পীরুবা পাউমী পুলিসনা ফুরকখ্রে। ইনক্বারি তৌরগনি, চেন্নবা পার্সোনেল এক্সন লৌরগনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফম অমসু মনিপুর ন্যুজ পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেক্যুরিতিনা অহেনবা থৌওং চথরবদি তুমিন্না লৈথোক্লোই হায়বা কোকোমিগী ৱাফম অমসু সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরশিংদা শেলগী দিমান্দ তৌরকপা য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ৱাকৎ মীফম চথখিবগী পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঙমখৈদা মাইনম বোম ময়াম পোকখায়বদা মী শিরে হায়বা এস.টি.য়ুগী পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাং অসিদা পোলিটিক্স তৌশিনবদগী ঐখোয় মশেল ঙাক্তা তাহৌগদৌরে হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পাউমী ফুরকখিবগা মরী লৈননা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন অমসুং এদিটরস গীল্ড মনিপুরনা খোঙজং চংশিনদুনা চীফ মিনিস্তরদা মেমোরেন দম পীশিনখিবগী পাউ অমসু পিপলস ক্রোনিকল পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস পাউচেগী অহানবা লামাইদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।